ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

হৈরোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী
কোভিদ-১৯না লৈখিদবা
মীওইশিংগী ইমুংদা পীদুনা
লাকখিবগুম ৩লক শুরকপা
ওইনা ইমুং ৩দসু লুপা লিশীং
৫০/৫০গী শেলগী তেংবাঙ এম
এল এ রাধেশ্যামনা খূৎশিন্নখিবা

ক্লবকী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিদা ইনভাইটেসন পীরকপদগী শরুক য়াখিবনি
☛ লামায় ৩

ভোটনা নাথেরক্লিবা লাইচৎ
☛ লামায় ৩

ওলিম্পিক মেদলদা মীৎয়েং থম্বা
☛ লামায় ৫

মীয়ামগী চাকখাও লুট তৌবশিং চৈরাক পীয়ু
☛ লামায় ৬

৭৫ অজাদি কা অমৃত
মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা
নেহরু য়ুব কেন্দ্র, থৌবালনা
ককচীংগী নহারোলশিংগীদমক
পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফিট
ইন্দিয়া ফ্রীদম রনদা শরুক
য়াখিবা পার্টিসিপেন্টশিং

YUVA KENDRA THOUBAL
Azadi Ka Amrit Mahotsav
29th August, 2021

Vol. 45, Issue No. 153 | নোংমাইজিং, থৱানগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, August 29, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

চেন্নবশিং ফাগদবনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস): থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সঙ্গাইয়ুম্ফম পল্লি কৈথেলদগী তেন্থা চৎখিবা লন্মীদা থা অসিগী ২০দা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা এমদি অমির খান (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি অয়ুব খান, সোরা মখা লৈকায়গী মীশিদা চেন্নবনি হায়না ফাগৎলবী রঞ্জিতা (২৫) মপুরোয়বা এমদি অব্দুল কলাম, সঙ্গাইয়ুম্ফম সাবল লৈকায় অমসুং রাসিজান (৪৭) মপুরোয়বা এমদি অয়াজুদ্দিন, সঙ্গাইয়ুম্ফম পখা ময়ুম সী জে এম, থৌবালদা পুথোক্লগা তুংদা জুদিসল রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

এমদি অমির খানগী মীশি অদুদা চেন্নবনি হায়না থৌবাল পুলিসনা থা অসিগী ২২দা রঞ্জিতা অমসুং রাসিজান ঙসি চিফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট থৌবালদা পুথোক্কনি তাবদগী সোরাদগী নুপী কয়া লাক্তুনা সী জে এম, থৌবালগী কমপ্লেক্স গেটতা ঙাইদুনা লৈনখি। নুপীশিং অদুনা অমির খান মীহাৎতা চেন্নবশিং থাদোকখিবা য়ারোই, মরাল লৈবা খূদিংমক লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। মীহাৎপা মী চৈরাক পীয়ু হায়না কোর্টকী গেটতা খোল্লাও কয়াসু লাউখি। তুংদা নুপী মীয়াম অদু পুলিসনা মফম অদুদগী তকথোকখি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোকপগী খুদোংচাদবা লৈবনা মরম ওইরগা অমির খানগী মীশি অদুদা চেন্নবনি হায়না ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা রঞ্জিতা অমসুং রাসিজান অনীবু ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা সী জে এম থৌবালদা পুথোকখি অমদি মখোয় অনীবু মখা তাবা ৰাহং পাউহং চথনবগীদমক জুদিসল রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, জে এ সী এগেষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এমদি অমির খান (৩৫), সোরা মখা লৈকায়গী কনভেনর এমদি রামিজুদ্দি শাহনা ফোঙদোরকপদা, এমদি অমির খানগী মীহাৎ অদুদা চেন্নবনি হায়না ফাগৎলবা নুপী অনী অসিগী মথক্তা রাসিজানগী মপুরোয়বা এমদি অয়াজুদ্দিন (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা অমুবী, এমদি অয়াজদ্দিনগী মচানুপা গিলা (২৪) অমসুং রঞ্জিতাগী মপুরোয়বা এমদি অব্দুল কলাম ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

কম্মান্দোনা মেজর সাইজা অমসুং মীওই ৪ হাৎখিবা থৌদোক

সী বি আইনা সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট থাগৎলক্লে

চেন্নবা কম্মান্দোশিংগী মথক্তা সী বি আইনা সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট ফাওবা থাগৎলক্লুবসু মখোয়গী মথক্তা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন তৌদ্রে

POLICE
FAKE
ENCOUNTER

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা চহী ২৩গী মমাঙ ওগষ্ট ২৯, ১৯৯৮গী অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায় মনাক্কী মফম অমদা কম্মান্দোশিংনা খূৎ থোক্লবনি হায়দুনা মেজর সিমারৈঙম সাইজা (রিটয়র্দ) য়াওনা মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অদুগা নাগালেন্দগী স্পিকর ওইরম্বা থেনুচোবুনা থীনা শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সী বি আইনা সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট থাগৎলকখ্রবসু থৌদোক অসিগী মতাংদা সী বি আইনা চার্জ তৌরিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংগী মথক্তা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীদ্রে।

থৌদোক অদু হৌজিক্লা পুলিস কম্মান্দো হায়দুনা খঙনরবসু মতম অদুদা রেপিদ এক্সন পুলিস ফোর্স (আর এ পি এফ) হায়দুনা খঙনরিঙৈদা ফোর্স অসিগী সব ইন্সপেক্টর ওইখিবা থোকচোম কৃষ্ণতোম্বী অমসুং হৌজিক্লা লৈখিদ্রবা মতম অদুগী সব ইন্সপেক্টর নাওরেম রাজেননা লুচিংবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা চথখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা এস আই, টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী (কম্মান্দর ইকো-৩৯) না শিংজমৈ পি এসতা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্না লুচিংবা টিম অদুনা নুমিৎতুগী অয়ুক পুং ৯.৪০ রোম তারকপদা লৈখিদ্রবা এস আই রাজেন (কম্মান্দর ইকো-৪৬) অমসুং ইকো-৪৫গী টিমশিংনা ক্বাকৈথেল লোমদা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনবা মতমদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩৭০ (৮) ১৯৯৮ অন্দর সেক্সন ১৩ য়ু এ (পি) এক্ত অমসুং ২৫ (১) (বি) আর্মস এক্তকা মরী লৈননা ফাগৎলকপা য়ু জি গ্রুপ অমগী এক্তিভিষ্ট অনী (এল ঈশ্বরচন্দ্র অমসুং কে এস ঐচ ইমোবী) সু মখোয়না তাকপগী মতুংইন্না শিংজমৈ এরিয়াদা ওপরেট তৌবা মখোয়গী য়ু জি গ্রুপকী এক্তিভিষ্টশিং ফাননবা চঙশিনখি হায়বসিনি। অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা কম্মান্দো পার্টি অদুনা ক্বাকৈথেল ক্রোসিংদগী শিংজমৈরোমদা চৎননবা হোৎনরিঙৈদা সিলভর মচুগী মারুটি কার (১০০০ সী সী) এন এল-০১-১০০৫ অমা ইম্ফাল লোমদগী এয়রপোর্ট তম্না কন্না চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা থৌরকপা উখি। কম্মান্দো পার্টিনা কার অদুবু লেপ্নবা হায়বদা খামখিদবগা লোয়নননা কার অদুগী থোঙনাওগী মিংশেলদগী গাড়ী মনুং অদুদা এ কে ৪৭ য়াওবা উখি। লোয়নননা কম্মান্দো পার্টিনা লেপ্নবা হায়বদু থৌওইদনা কার অদু এয়রপোর্ট তম্না থৌখি। মদুদগী কম্মান্দোশিংনসু কার অদুবু তান্নখি। কার অদু তান্নরুবদা গাড়ী অদুদগী কম্মান্দো তম্না নোংমৈ কাপ্লকখি। মদুদা এস আই এন রাজেনগী মারুটি জীপসি এম এন -১জি-০৮১০ য়াওনা কম্মান্দোগী জীপসি এম এন-১জি-০৯৫৬ নোংমৈ মরূনা পান্দুনা অকায় অতোয় থোকখি হায়রি।

থৌদোক অদুদা অতোপ্পা পান্থৈ লৈত্রবা কম্মান্দোগী পার্টিনা কার অদু তম্না মশা ঙাকথোক্লবগীদমক নোংমৈনা কাপখি। মদুদা কার অদুদা তোংলকখিবা মীওই মঙামক নোংমৈনা পানখি। মখোয়গী মনুংদগী অহুমনা থৌদোক থোকফমদা শিখি অদুগা অনীনা হোস্পিটালদা পুখৎপগী মনুংদা অমসু জে এন হোস্পিটাল তম্না পুবগী লম্বীদা শিখি। মারুটি কার অদুগী মনুংদগী এ কে ৪৭ রাইফল ২, মরূ ৬/৬ য়াওরম্বা মেগজিন ৩ অমসুং অহাঙবা মেগজিন ১ রিকোভর তৌখি।

নোংমৈনা পান্দুনা শিরবা মীওই অনীগী মনুংদা অমনা ওলিভ গ্রিন য়ুনিফোর্ম শেৎলি অদুগা অমনা অমুবা মচুগী সুট শেৎলি। থৌদোক থোকফমদগী মারুটি কার অদুগা নোংমৈ অনীদু য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংদু মথৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোভিদ-১৯গী মতাংদা এম ঐচ এগী ইন্সত্রক্সন

সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা চেকশিনখিগদবনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না জুন ২৯, ২০২১দা থোকখিবা ওর্দর অমদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরি পুম্নমক্তা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়না খঙহনখিবা ৰাফম অদু মথং থাগী ৩০ ফাওবা শাংদোক্তুনা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা মখা তানা লৌখৎখিনবা খঙহল্লক্লে।

ঙসি এম ঐচ এগী সেক্রেটরি অজয় ভল্লানা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুম্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইদুনা খঙহল্লকখিবা চেরোল অমনা হায়, নেসনল লেভেলদা পেন্দমিক অসিগী ফীভম পুন্না য়েংবদা চাউনা ফগৎলক্লে। অদুবু ষ্টেট খরদদি লায়না অসিগী মহীক শন্দোরকপা লৈরি। মফম খরদসু এক্তিভ কেসশিংগী অপূনবা মশীং অমসুং পোজিটিভ কেস মশীং হেনগৎলকপদগী পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরি। মরম অসিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোজিটিভ ওইহল্লকপগী মশীং ৰাংনা লৈরগদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা মাঙজেনবা থবক থৌরমশিং লৌখৎতুনা লায়না অসিগী মহীক শন্দোরকহন্দনবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক অঙনবা মতমদা থেংনেরকপা খুদমশিং মশক খঙদোক্কদবনি অমসুং লায়না অসিবু শন্দোরকহন্দনবা চপ চাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদবনি।

হায়রিবা ৰাফমশিং অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মায়কৈদগী এপ্রিল ২৫ অমসুং জুন ২৮, ২০২১দা থেঙ্খাং অনীরক্তা পীখিবা এদভাইজরিশিংদসু ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

Ministry of Home Affairs
Government of India

মরমশিং অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা লাক্কদৌরিবা চহী অসিগী হরাও কুম্মৈশিংদা মথৌ তারবদি মী য়াম্না তিলহন্দনবা চপ চাবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি। অসিগুম্বা মীয়াম তিনবগী থবকশিং অসি তৌহন্দনবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্ট/য়ুনিয়ন টেরিটরি এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মখোয়গী ওইবা লোকল রেষ্ট্রিক্সনশিং থমগদবনি।

মীয়াম তিনবা মফম পুম্নমক্তা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং চেকশিন্না ঙাক্লা চৎহনগদবনি হায়রদুনা হৌজিক ঐখোয়না টেষ্ট-ত্রেক্ট-ত্রিট-ভেক্সিনেসন য়াওনা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রবু ঙাকহনবনচিংবা মরোল মঙা থোক্লা লৈরিবা থৌরাং অসি মখা তানা চথগদবনি হায়রি। থৌরাংশিং অসিনা কোভিদ-১৯বু মায় পাক্না লাকশিনবা ঙমগনি হায়রি।

পেন্দমিক অসি লাকশিনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক্তি কোভিদ-১৯গী এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লা চৎহনবনি হায়রদুনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগী চয়োলগী ওইনা লৌখৎপা থবক থৌরমশিংগী দেটাশিং ফংলি। মসিদা মীয়াম্না ফেস মাস্ক শীজিন্নবা, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এমসু লিংখৎখিবগী ৫৬শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে

এমসুবু থৌনা হাপ্পীয়ু, মীয়ামগী থৌদাং য়াজগে : চলাম্বা

ALL MANIPUR STUDENTS' UNION
(AMSU)
56th FOUNDATION DAY CELEBRATION
TODAY'S CHALLENGES, OUR RESURGENCE

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মহৈরোয় লূপশিংগী মনুংদা মাঙজিল থাবা লূপ অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ৫৬লক শুরকপা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়নননা রিমস অমসুং জেনিমসতা ঈ কৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে। লোয়নননা ঙসিগী থৌরম অসিগী মাঙওইননা মহৈরোয় লূপ অসিগী তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চশিংনা পাঙথোকখিবা অথোই অহেন তান্নবগী মনাশিংসু য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৫৬শুবা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং নুমিৎকী সোভিনিয়র অমসু মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈবা এমসুগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না মহৈরোয় লূপ অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা মীওইশিংবুসু অচম্বা খুদোলশিং তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হান্নগী এমসুগী প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বরসু ওইরম্বা এন জি নোংয়াইনা হায়, ঙসিগী ৰাঙাঙলোয় কয়ানা এমসুগী থৌদাং লৌরিবশিংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

পোজিটিভ কেস ২৭৫ থেংনখি, ৫ লৈখিদে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী ঙসি নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ২৭৫ থেংনখি হায়রি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা অনীনা সী এ পি এফনি অদুগা লেমহৌরিবা ২৭৩গী মনুংদনা নুপা ১১৯নি অদুগা নুপীনা ১৫৪নি। মখোয় খুদিংমক মণিপুরগী মীচম মীয়াম ঙাক্তনি হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি থেংনখিবনা রিমসতা ১২, জেনিমস ২৮, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ১৪৯ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ৮৬ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ৩৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৩৪, থৌবাল ১০, বিষ্ণুপুর ১৪, ককচীং ১৫, উখ্রুল ১১, চূড়াচান্দপুর ১৫, ...মখা লামায় ৩ কলম ১

লাখ ৫০গী দিমান্দদা ফারুবশিং কনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : এন ঐচ -২ পরিংদা লৈরিবা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৌব্রু লৈখাগী মফম অমদগী ইম্ফাল তম্না ত্রক অমদা অমনবা মারুটি জীপসি ৩ হাপ্লগা লাকখিবা মীওই অহুম কিদনেপ তৌরগা থাদোকমল লুপা লাখ ৫০ পীননবা দিমান্দ তৌরকপদগী মণিপুর পুলিসনা অসাম পুলিসকা খূৎশম্নুনা চথখিবা ওপরেসনদা কিদনেপ তৌখিবা মীওইশিং মায় পাক্না কনবা ঙমখ্রে।

থৌদোক অসি থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। খূৎলায় পায়বা কুকিনি চিংনবা মীওইশিংনা ফাজিল্লুবা মীওই অহুম অদু অসামদগী ঙাক্তনি।

থৌদোক অসিগী পাউ থা অসিগী ২৬কী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা কাংপোকপী পুলিসনা ফংখিবগা লোয়নননা খূৎলায় পায়বশিং অদুনা রেন্সমগীদমক ফাজিনখিবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদগী অমা থা অসিগী ২৬কী নুংথিলদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

স্কোলরসিপকী ৱাথোক পুলিস য়ৌরে

অরানবা তৌবদা চেন্নবা নোদল ওফিসর অমসুং মহৈরোয়শিংগী মথক্তা কেস লৌখৎলে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : একাদেমিক সেসন ২০২০-২০২১গী ওইনা ইসান উদৈ স্কোলরসিপশিংগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক পীশিল্লকপা দোক্যুমেন্টশিংদা অরানবা অমসুং শেমজিন শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওরকপা থেংনবদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি অমসুং হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হায়রিবা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎনবা ৱাঙ্গৈই পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে হায়রি।

কমপ্লেন্ট অদু দিরেক্টোরেট অসিনা থা অসিগী ২৪দা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ও সীদা অইবা ওইনা পীশিনখিবনি। অদুগা হায়রিবা স্কোলরসিপ অসি ফংনবগীদমক পীশিল্লকপা দোক্যুমেন্টশিংদা অরান-অহুইশিং য়াওরে হায়বগী ৰাফমনা মীওই সেক্সন খরদগী মমাঙ থাগী অরোইবা শরুক্তা কাংথোক্লুরকখিবনি হায়রি।

মীয়াম্না ফোঙদোক্লুরকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ৩দা হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি, এন আই টি মণিপুর অমসুং কন্ত্রোল্লর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন অমসুং দিরেক্টরগী ওথোরিটিশিংদা স্কিম অসিগী মখাদা কোলেজশিংদগী এপ্লাই তৌরকপা মহৈরোয়শিংগী লিষ্ট নেসনল স্কোলরসিপ পোর্টেলদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

কোংগ্রেসসু চপ চানা মীখলগী ফি শেম্লে

কেম্পেইন অমসুং মেনিফেষ্টো কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর এসেম্ব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা থৌরাং থৌশিল কয়া য়াৎথোক্লনবা ইম্ফালদা ঙরাং থুংলখিবা এ আই সী সী মণিপুরগী ইলেক্সন ইন চার্জ জয়রাম রামেস য়াওনা ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ইলেক্সন কেম্পইন কম্মিটি অমসুং মেনিফেষ্টো কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, এম পি সী সীগী ইলেক্সন কেম্পেইন কম্মিটিগী মীফম হান্না পাঙথোক্লবা মতুংদা মেনিফেষ্টো কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখিবনি। মীফম অসিদা লাক্কদৌরিবা এসেম্ব্লি মীখলদা ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস পার্টি চাওনা মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা করি করম্বা মওংদা কেম্পেইনশিং চথগদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়নননা কোংগ্রেস পার্টিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা করি করি ইশ্যুশিং হাপ্পা য়াবগে হায়বগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নখ্রে। অদুমকপু মেনিফেষ্টোদা করি করি ইশ্যুশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

কমান্দো য়াওনা ৩ দ্রগকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস): মণিপুরগী লো ঙাক্লবা লৈরিবা সিক্যুরিটি পর্সনলশিংনা লোগী ৱাংমদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক (দ্রগ) পুথোক-পুশিন তৌবা, লল্লোনবগী থবক অসি অনৌবা অমদি নত্তে। ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা সিক্যুরিটি পর্সনলশিংনা য়াল্লবা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌবদা সিক্যুরিটি পর্সনলশিং ফাগৎপগী থবকশিংসু চহী খরা অসিদা অদুমক থেংনদুনা লাক্লি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কমান্দোদা কমান্দো কন্সটেবল দ্রাইভর ওইবা অমা য়াওনা পুন্না মীওই অহুমদগী মোরে কমান্দোনা ব্রাওন সুগর পেকেট ১০০গা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস এস পি ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এস পি, তেংনৌপল টিঐচ ভিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং মোরেদা লৈবা কমান্দো ও সী রোবিন্দ্রো, এস আই উত্তম অনীনা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ মোরে গেট নম্বর-২দগী মোরে পুলিস ষ্টেসন মমাঙ ফাওবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরিঙৈদা মোরে গেট নম্বর-২ রোমদগী মীওই অনীনা ম্যান্মারলোমদগী কেনবো বাইক অমদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থৌরগা লাকপদগী খামদুনা চেক তৌবদা কার্তুন বোক্স অমা য়াওরম্বদগী চেক তৌনবা হোৎনরিঙৈদা মীওই অনী অদু বাইক লংথোক্লল্লগা নাম্থোক্তুনা চেনখি অমদি বাইক অদুদা য়াওরম্বা কার্তুন বোক্স অদুদা য়াম্লবা ব্রাওন সুগর পেকেট ১০০ য়াওরমখি হায়রি।

সী দি ও টিমশিং অদুনা মীওই অনী অদু তান্নবদা কৈথেলগী মী তিনবগী তাঞ্জা লৌরগা চেনখি। ফাগৎলবা ব্রাওন সুগরশিং অদু কে জি ১গা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ইরোম মৈজ্রাও ৱাটর সপ্লাই অশিবদৌনা লৈরকপা চহী ৬ ফারক্লে

বিজয় লাইশ্রম

পি ঐচ ঈ দিনা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং পীনবগী শেল লৈত্রে হায়রক্লে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচএনএস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্নমক অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহনগনি হায়দুনা ‘হর ঘর জল’ গী থৌরাং পায়খৎলকপগা ইরোয়নননা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফাওবা লাক্লমদুনা য়েংশিল্লম্লবসু ৱাঙ্গৈই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ইরোম মৈজ্রাওগী ৱাটর সপ্লাই স্কিমদি অশিবদৌনা লৈরকপা চহী ৬ ফাজিল্লক্লে।

ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিনা কোনশিনগদবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং অসুক কুইনা পীরক্ত্রিবা অসিগী মরম থিরুবদা মরী লৈনরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) না ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি চলাইবদা চঙবা শেলশিং লৈত্রে হায়রকপদগী লেপথোক্তুনা লৈরকপা ওইরম্লে।

ইরোম মৈজ্রাও খুলদগী অঙোম তোম্বা কৌবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, ইরোম মৈজ্রাও মনীং লৈকায়দা হৌখিবা চহী ১০ রোমগী মমাঙদা শাগৎখিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিনা ইরোম মৈজ্রাওগী ৱার্দ নম্বর ৮, ৯, ১০ অমসুং ১১দা লৈরিবা মীওইশিংদা ঈশিং পীননবা পান্দম থমখিবনি। পান্দম অসিগী মতুংইন্না ৱাটর সপ্লাই অসিদগী ৱার্দ নম্বর ৯, ১০ অমদি ১১গী মীয়ামদা চহী ৫ রোমদি মৌ অনৌবীদৌনা মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং পীরমখি। অদুবু ৱাটর সপ্লাই অসিনা কোনশিনগদবা ৱার্দ নম্বর ৮গী মীয়ামদদি ঈশিং খুজোক অমত্তা ফাওবা পীরমদনা ৱাটর সপ্লাই অসিগী থবক থৌরমশিং চপ লেপ্তুনা লৈথোকখিবনি হায়রি।

হায়রিবা ৱার্দ নম্বর ৮ অসিগী মীয়ামদা করিগীদমক্তা স্কিম অসিনা পীফম থোক্লিবা ঈশিং পীরমদ্রিবনো হায়দুনা থিগৎলুবদা ৱার্দ অসিগীদি ঈশিং পীবদি লায়রদনা ঈশিং পুননবা পাইপ ফাওবা তিংবা হৌরমদবনি হায়রি।

ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি পি ঐচ ঈ দিনা ইরোম মৈজ্রাও মমাঙ লৈকায়দা লৈবা স্কিম অসিগী কম্মিটিদা মসিগী মেন্টিনেন্সগীদমক লুপা লিশীং ৩০/৪০ হেক হেক পীরকখিবনি। হায়রিবা শেনফম অসিদগী কম্মিটি অসিনা মীয়ামদা ঈশিং পীনবগীদমক তঙাইফদনা শীজিন্নগদবা ৱাটর পম্প সেটকী অচঙবা থাও অমদি ঈশিংগী ত্রিটমেন্ট তৌনবগীদমক ব্লেচিং পাওদর, শুনু, ফিজিগ্রিনচিংবা য়াওনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং লৈরগা ঈশিং ত্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা খুল অসিগী মীয়ামদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এৱেয়র্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস) : চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) না নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গা খূৎশম্নদুনা ‘মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস স্কিম, ২০১৬’ হায়বা টোপিক অসিগী মখাদা নোংমগী ওইবা ওনলাইন এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি পেন্দমিক মনুংদা দেল্লি ৱেজর অমসুং লেবররশিংগী রাইটশিংগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা জুদিসল ওফিসরশিং, পেনেল লোয়রশিং, পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লেবর য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অদু মোরেগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস অর্শদ সয়িদ শাহনা শরুক য়াখিবশিংবু তরাম্না ওক্তুনা হৌদোকখি অমসুং থৌরমগী মতাংদা অমসুং মসিনা পীবা কান্নবশিংগী মতাংদসু মহাক্না ৱা ঙাঙখি।

টোপিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙখিবা এদভোকেট তোলেন পোৎশংবমনা স্কিম অসিগী মখাদা লেবর অমসুং দেল্লি ৱেজরশিংগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা রাইটসশিংগী মতাংদা মরীক চুম্না ফোঙদোকখি। লোয়নননা মখোয়না লিগেল এইদ ক্লিনিকশিং অমসুং দি এল এস এ চান্দেলগী ফ্রন্ট ওফিসতা মতেং লৌননবা রিসোর্স পর্সননা পূক্নিং থৌগৎখি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুংদা ইন্টরেক্টিভ সেসন/দিস্কসন অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়নননা দি এল এস এ অসিগী পেনেল এদভোকেট কে কোফমনা শরুক য়াখিবশিংবু ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩০.৫৮°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৭২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৭

HL Poll

Q: Anouba meekhalgi thourangda mai onsinnarabasu meeyamna Covid-19bu meeraiba chumloi haiba waphamsi achumba oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Border Pillar no. 81gi wathok leingakna athuba matamda waroisin puraknaba hotnadrabadi meirikpidagi meijaobi thoklakkadra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- খুরুমজরি, সরবু জয় জয় জয়
- ꯈꯨꯔꯨꯝꯖꯔꯤ, ꯁꯔꯕꯨ ꯖꯌ ꯖꯌ ꯖꯌ



- খুরুমহৌরো মীখল য়ৌরক্লে, ঐনা অমুক খুরুমদৌরবনি নখোয়দা।
- ꯈꯨꯔꯨꯝꯍꯧꯔꯣ ꯃꯤꯈꯜ ꯌꯧꯔꯛꯂꯦ, ꯑꯩꯅꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯈꯨꯔꯨꯝꯗꯧꯔꯕꯅꯤ ꯅꯈꯣꯌꯗꯥ꯫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫